# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, THURSDAY, OCTOBER 31, 2019 PAGE 7




*য়ু–২৩ ৱার্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী কেজি ৬১ গী কেটেগোরিদা ফাইনেল চঙখ্রবা মশাগী চহী ২২ শুরবা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর রভিন্দর*

*ইংলেন্দগী নুপী ক্রিকেট টিমগী অহানবা ওইনা ফুল টাইম কোচ ওইনা এপোইন্ট তৌখ্রবা ওষ্ট্রেলিয়াগী মমাঙদা শান্নরোই ওইরম্বী লিসা কৈগটলি*



## ইন্দিয়াগী বোক্সর সিব থাপা অমসুং পুজা রানী ওলেম্পিক টেষ্ট ইভেন্টতা ফাইনেল চঙখ্রে





*টোকিও, ওক্টোবর ৩০ (এজেন্সি)ঃ* জপানগী কোনুং টোকিওদা চত্থরিবা ওলেম্পিক টেষ্ট ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী বোক্সর সিব থাপা অমসুং পুজা রানী মখোয়–মখোয়গী সেমি ফাইনেল বাওটশিং মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখ্রে। অদুগা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর অনীদি সেমি ফাইনেল বাওটশিংদা মায়থিহৌদুনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংলগা লোইশিনখ্রে।

মমাঙদা ৱার্ল্ড ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী বোক্সর সিপ থাপানা ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ৬৩ গী সেমি ফাইনেল বাওটতা য়ুম্বু লৈবাক জপানগী বোক্সর দাইসুকে নারিমাটসুবু য়াম্না লম্বা মান্নখিবা বাওট অমদা মায়থিবা পীরম্লগা কাঙলূপ অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

নুপাগী কেজি ৬৩ গী কেটেগোরিদা শান্নরিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপকী মমাঙদা মেডল ৪ ফংবা ঙমখ্রে। অদুগা ইন্দিয়ান ওপন বোক্সিংদসু গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রবনি।

ওলেম্পিক টেষ্ট ইভেন্ট অসিগী বোক্সিং দিসিপ্লিনদা শরুক য়ারিবী এসিয়ান গেমস ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর পুজা রানীনা কেজি ৭৫ গী কেটেগোরিদা শরুক য়াদুনা ঙসি থিন্নখিবা সেমি ফাইনেল বাওটতা ব্রাজিলগী বোক্সর বিত্রিজ সোরেজবু য়াম্না হেনবা মওংদা মায়থিবা পীরম্লগা কাঙলূপ অসিদা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

মমাঙদা জুনিয়র ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবা ইন্দিয়াগী বোক্সর নিখট জারিন (কেজি ৫১) অমদি ভাহলিম্পুয়া (কেজি ৭১) মখোয়–মখোয়গী সেমি ফাইনেল বাওটশিংদা মায়থিহৌদুনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংলগা লোইশিনখ্রে।

ইন্দিয়াগী বোক্সর নিখট জারিননা কেজি ৫১ গী ঙসি থিন্নখিবা সেমি ফাইনেল বাওটতা জপানগী বোক্সর সানা কোৱানোগী মখূত্তা য়াম্না নক্নবা স্কোরদা মায়থিহৌবনি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর ভাহলিম্পুয়াসু ঙসি পাঙথোকখিবা কেজি ৭৫ গী সেমি ফাইনেল বাওটতা জপানগী অতোপ্পা বোক্সর য়ুইটো মোরিৱাকিগী মখূত্তা য়াম্না শোত্থনা মায়থিহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেডল ফংলগা লোইশিনখি।

সেমি ফাইনেল শান্নগদবা ৱাৎলিবা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং অদুদি এসিয়ান সিলভর মেডালিষ্ট সুমিত সাংৱান (কেজি ৯১), আসিস (কেজি ৬৯) অমসুং সিমরনজিৎ কৌর (কেজি ৬০) নি। মখোয়গী সেমি ফাইনেল বাওটশিং অদু ঙসি নুমিদাং পাঙথোক্লগনি হায়রি।

## ইন্দিয়াগী রেষ্টলর রভিন্দর ফাইনেল চঙখ্রে

*বুদাপেষ্ট, ওক্টোবর ৩০ (এজেন্সি)ঃ* হঙ্গেরিগী কোনুং বুদাপেষ্টতা চত্থরিবা য়ু–২৩ ৱার্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপা রেষ্টলর কেজি ৬১ গী কেটেগোরিগী সেমি ফাইনেল বাওট মায় পাক্তুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

য়ু–২৩ ৱার্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ৬১ গী সেমি ফাইনেল বাওটতা মশাগী চহী ২২ শুরবা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর রভিন্দরনা সেনিয়র য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ন অরমেনিয়াগী অরসেন হারুটিয়ুনানবু য়াম্না নক্নবা পোইন্ট ৪–৩ থোইদুনা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী রেষ্টলর রভিন্দরনা অহানবা রাউন্দদা হঙ্গেরিগী রেষ্টলর মারসেল বুদাই কোভাক্সপু পোইন্ট ১২–১ দা মায়থিবা পীরমখি। অদুগা ক্বার্টর ফাইনেলদা কুমজা ২০১৯ রুশিয়ান নেসনেল ফ্রিষ্টাইল রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপকী ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট রুশিয়াগী দিনিস্লাম টাখটারোভপু পোইন্ট ১১–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙলকপনি।

য়ু–২৩ ৱার্ল্ড রেষ্টলিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপীগী কেজি ৫০গী ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর জ্যোতিনা মোলদোভাগী মারিয়া লিওরদাবু পোইন্ট ১২–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙলকপনি। জ্যোতিনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদা বেলারসকী টাটসিয়ানা য়াফ্রেমেনকাবু পোইন্ট ৬–১ দা থোইরম্বনি।

## ইন্দিয়াগী সট্টলর কিরন জোর্জ সারলোরলক্স ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে



*সারব্রুকেন, ওক্টোবর ৩০ (এজেন্সি)ঃ* জর্মনিগী সিটি সারব্রুকেনদা ঙরাং অথেংবদগী শান্নবা হৌখিবা য়ু এস দোলর ৭৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা সারলোরলক্স ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপা সট্টলরকিরন জোর্জ অহানবা রাউন্দ মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী কিরন জোর্জনা চাইনাগী লিয়ু হায়চাওবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১৭, ২১–১৩ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ৬শুবা সিদেদ ফ্রান্সকী শান্নরোই টোমা জুনিয়র পোপোভকা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই বি এম আর ভরদৱাজসু ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা বেলজিয়মগী রোৱান স্কেয়ুর্কোজেলবু ষ্ট্রেট গেম ২১–১৫, ২১–৯ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা জর্মনিগী শান্নরোই কে স্কেফরগা শান্নরগনি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোই এম মঞ্জুনাথসু অহানবা রাউন্দ বাই ফংদুনা অনীশুবা রাউন্দদা মালেসিয়াগী চোং য়ি হানগা লম্বা তৌনরগনি। মালেসিয়াগী চোং য়ি হাননা অহানবা রাউন্দদা ফিনলেন্দগী জে কোরহোনেনবু ২১–১৪, ২২–২০ দা থোইরম্বনি।

জুনিয়র ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই লক্ষ্য সেন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৮শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়াদুনা অহানবা রাউন্দ বাই ফংলগা অনীশুবা রাউন্দদা ফিনলেন্দগী ইটু হৈনোগা লম্বা তৌনরগনি। ফিনলেন্দগী ইটু হৈনোনা অহানবা রাউন্দদা জর্মনিগী এফ হেমসপু ২১–১৭, ২১–১৪ দা থোইরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অনীশুবা সিদেদ ওইরিবা ইজরেলগী এম জিলবরমেননা অনীশুবা রাউন্দদা আয়রলেন্দগী হাট ঙুয়েনগা লম্বা তৌনরগনি। আয়রলেন্দগী শান্নরোই হাট ঙুয়েননা অহানবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী শান্নরোই এন্দ্রি মারক্লেবু ২১–১৮, ২১–১৫ দা থোইরম্বনি।

সারলোরলক্স ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা আয়রলেন্দগী জোসুৱা মেগিনা স্বিদেনগী ফেলিক্স বুরেষ্টেদপু ২১–১৮, ২১–৯ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই ইংলেন্দগী পেন্টি টোবিগা শান্নরগনি।

জর্মনিগী সিটি সারব্রুকেনদা সারলোরলক্স ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মিক্স দবলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী পেয়র রোহন কাপুর অমদি সঞ্জনা সন্টোস ফ্রান্সকী পেয়র ইলোই এদাম অমদি মারগোট লাম্বার্টকী মখূত্তা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৯–২১, ২১–১৩, ১৪–২১ দা মায়থিহৌদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখি।

## রোলেক্স মাষ্টর্সতা জর্মনিগী জ্বেরেভ মায় পাক্তুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*পেরিস, ওক্টোবর ৩০ (এজেন্সি)ঃ* ফ্রান্সকী কোনুং পেরিসতা চত্থরিবা পেরিস রোলেক্স মাষ্টর্সতা জর্মনিগী শান্নরোই আলেকজেন্দর জ্বেরেভ নুপাগী সিঙ্গলসতা মায় পাক্তুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা স্পেনগী ভর্দাস্কোবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা য়াম্না লায়না ৬–১, ৬–৩ দা মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা কানাদাগী দেনিস সাপোভালোভকা লম্বা তৌনরগনি।

কানাদাগী দেনিস সাপোভালোভনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা ১১শুবা সিদেদ ফ্রান্সকী ফাবিয়ানো ফোগনিনিবু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ৩–৬, ৬–৩, ৬–৩ দা থোইরম্বনি।

৫শুবা সিদেদ ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা কানাদাগী মিলোস রাউনিকপু ৭–৬(৭–৫), ৫–৭, ৬–৪ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভকা লম্বা তৌনরগনি।

বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা ১২শুবা সিদেদ বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিনবু ৭–৫, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ৪শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারিবা রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভ ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী জেরেমী চার্দিগী মখূত্তা সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ৬–৪, ২–৬, ৪–৬ তা মায়থিহৌখি। মায় পাকখ্রবা ফ্রান্সকী জেরেমী চার্দিনা অহুমশুবা রাউন্দদা ১৫শুবা সিদেদ য়ু এসকী জোন ইসনরবু ৭–৬ (৭–৫), ৭–৬ (৭–৪) দা থোইরম্বা চিলিগী সিগারিনগা লম্বা তৌনরগনি।

## সেরি এদা ইন্টরনা ব্রেসিয়াবু ২–১ দা থোইখ্রে, ভেরোনাসু মায় পাকখ্রে

*রোম, ওক্টোবর ৩০ (এজেন্সি)ঃ* ইটালিদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা ইন্টরনা ব্রেসিয়াবু ২–১ দা থোইখ্রে, অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা ভেরোনাসু মায় পাকখ্রে।

ইন্টর অমসুং ব্রেসিয়ানা শান্নখিবা লীগ মেটচ অসি হৌরকপদা টিম অনীমক লম্বা মান্নরকখি। মেটচকী ২৩শুবা মিনটতা ইন্টরগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই লাওটারো মার্টিনেজনা মেটচকী অহানবা গোল চল্লবা ১–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙমদনা লাকখি। ব্রেসিয়াগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ মেটচকী ৬৩শুবা মিনটতা ইন্টরগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিদা শরুক য়ারিবা বেলজিয়ম মচা রোমেলু লুকাকুনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মেটচকী ৭৬শুবা মিনটতা ব্রেসিয়াগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা ইন্টরগী শান্নরোই মিলান স্ক্রিনিয়রগা শোয়বদগী গোল অমা চনশিনখ্রবসু মেটচ অসি ইন্টরনা ২–১ দা মায় পাকখি।

সেরি এ ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা ভেরোনানা পরমাবু গোল ১–০ দা থোইখি। মেটচকী ১০শুবা মিনটতা ভেরোনাগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা দারকো লাজোভিসনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখিবা অদু মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনবা ফাওবা লৈখি।

## য়ূম্বু ব্রাজিলনা ন্যু জিলেন্দবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে, ওষ্ট্রেলিয়া অমদি হঙ্গেরি ২–২ দা দ্রো চৎখ্রে



ন্যু জিলেন্দগী গোলকিপরনা ব্রাজিলগী শান্নরোই অমনা পুশিল্লকপা বোল থিংনবা হোৎনবা

*গামা, ওক্টোবর ৩০ (এজেন্সি)ঃ* ব্রাজিলনা য়ূম্বু ওইদুনা শান্নরিবা ফিফা য়ু–১৭ ৱার্ল্ড কপ্তা য়ূম্বু টিম ব্রাজিলনা ন্যু জিলেন্দবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে, অতোপ্পা গ্রুপ মেটচ অমদা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং হঙ্গেরি গোল ২–২ দা দ্রো চৎখ্রে।

ব্রাজিল অমসুং ন্যু জিলেন্দনা শান্নখিবা গ্রুপ 'এ'গী অনীশুবা রাউন্দ অদুগী মিনট ২০ চৎপদা ব্রাজিলগী শান্নরোই কাইও জোর্জনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

গোল শোত্থরিবা ন্যু জিলেন্দগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হনেদাক্নবা হোৎনরকখ্রবসু ব্রাজিলগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী মায় পাকপা ঙমদনা লৈখি। ব্রাজিলগী শান্নরোইশিংনসু অহেনবা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু মায় পাকপা ঙমখিদবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা ব্রাজিলনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নরক্তুনা অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি। মতম কুইনা অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখ্রবা মতুং মেটচকী ৮১শুবা মিনটতা ব্রাজিলগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা টালেস মাগনোনা গোল অমগা চনশিন্দুনা টিম অসিবু মায় পাকপগী লম্বৈলদা পুশিল্লকখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইরবা মতুং ইনজুরি টাইম শান্নরকপা অহানবা মিনটতা গোল অনী মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা ব্রাজিলগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা দিএগোনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অসি ৩–০ দা ন্যু জিলেন্দবু মায়থিবা পীরম্লগা গ্রুপ অসিদা পুন্না পোইন্ট ৬ ফংদুনা টেবলগী মকোক ওইবা ঙমখি।

গ্রুপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা অঙ্গোলানা কানাদাবু গোল ২–১ দা থোইখি। অঙ্গোলা অমদি কানাদানা শান্নখিবা মেটচ অসি হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী মেটচকী মিনট ৩০ হৌজিনখ্রবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

মেটচকী ৩১শুবা মিনটতা অঙ্গোলাগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই জিনিনা গোল অমা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা কানাদাগী শান্নরোইশিংদা প্রেসর পীশিনবা হৌখি।

অহানবা হাল্ফকী অরেম্বা মতম খরা অদুদা কানাদাগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোক্নবা অঙ্গোলাগী মায়োক্তা এটেক কয়া চত্থরক্লবসু টিম অসিগী দিফেন্দরশিংনা মায় পাকহনবা ঙমদনা থমদুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা অঙ্গোলানা ১–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৪৯শুবা মিনটতা কানাদাগী শান্নরোই রুজেল রোৱেনা গোল অমা চন্দুনা ইক্বেলাইজর ওইহনখি। মখা তানা শান্নরকপদা মতম কুইনা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙম্নদনা লাকখি।

ইনজুরি টাইমগী অহাপ্পা ৪শুবা মিনটতা অঙ্গোলাগী শান্নরোই দেবিদনা য়াম্না মরুওইবা গোল অমা চন্দুনা মেটচ অসি ২–১ দা মায় পাকখি।

ফিফা য়ু–১৭ ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'বি' গী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং হঙ্গেরি গোল ২–২ দা দ্রো চৎখ্রে।

মেটচকী ১৪শুবা মিনটতা হঙ্গেরিগী শান্নরোই বারাথনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা হঙ্গেরিনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা জুইগেবরনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬৯শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা বোটিকনা গোল অমা হন্দোকপা হৌখি। মেটচকী ৭৪শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই ৱাটসনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অসি ২–২ দা দ্রো চৎখি।

গ্রুপ 'বি' গী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী অতোপ্পা মেটচতা নাইজেরিয়ানা ইক্বাদোরবু গোল ৩–২ দা থোইখি। নাইজেরিয়াগী গোল অহুম অদু ইব্রাহিম সেদনা চনখি। ইক্বাদোরগী গোলশিং অদুনা জিনাদুনা ওন গোল ওইনা অদুগা অতোপ্পা গোল অদুনা ৫৬শুবা মিনটতা পেনাল্টিদা মিনানা চনখি।

## য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা রোমানিয়াগী হালেপ মায়থিবা পীদুনা দব্লিয়ু টি ফাইনেলসতা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে



*সেনঝেন, ওক্টোবর ৩০ (এজেন্সি)ঃ* চাইনাগী সিটি সেনঝেনদা চত্থরিবা দব্লিয়ু টি এ ফাইনেলসতা য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ৱার্ল্ড নম্বর ৮ ওইরিবী য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা ঙসি শান্নখিবা পরপল গ্রুপকী রাউন্দ রোবিন মেটচ অমদা ৱার্ল্ড নম্বর ৫ দা লৈরিবা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপপু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

রাউন্দ রোবিন মেটচ অসিগী অহানবা সেটতা শান্নরোই অনীমক লম্বা মান্নরকখিবদগী গেম ৫–৫ দা মান্নদুনা লৈখি। মখা তানা শান্নরকপা থংনবা গেম অনী য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা লৌবা হানবদগী সেট অদু ৭–৫ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেট শান্নরকপদা য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা মঙোন্দগী এক্সপরিয়েন্স হেল্লবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপকী সার্ভিস গেম অমা ঙন্না ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইখিবদগী মেটচ অসি মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা দব্লিয়ু টি এ ফাইনেলস অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবগী লম্বৈলদা ৱার্ল্ড নম্বর টু ওইরিবী চেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভাসু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরমখি।

দব্লিয়ু টি এ ফাইনেলস অসিগী পরপল গ্রুপকী সিঙ্গলস রাউন্দ রোবিন মেটচ অমদা ৱার্ল্ড নম্বর টুদা লৈরিবা চেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভাগা ৪শুবা সিদেদ কানাদাগী বিয়াঙ্কা এন্দ্রস্কুগা শান্নবদা অহানবা সেট ৬–৩ দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট শান্নরকপদা কানাদাগী বিয়াঙ্কা এন্দ্রস্কু মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী চেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভা মায় পাকখি।

রেদ গ্রুপকী দবলসকী রাউন্দ রোবিন মেটচ অমদা নম্বর ৱান সিদেদ বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্স অমদি বেলারসকী অরিনা সবালেনকানা ৫শুবা সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী চান হাও চিং অমদি লাটিসা চানবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীখি।

অহানবা গেম টাই ব্রেক্তা মার্টেন্স অমসি সবালেনকানা ৭–৬(৭–৫) দা থোইদুনা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতসু বেলজিয়মগী মার্টেন্স অমদি বেলারসকী সবালেনকানা ৬–৪ দা থোইবা ঙমদুনা মেটচ অসি মায় পাকখি।

রেদ গ্রুপকী ঙসি শান্নরোই দবলসকী রাউন্দ রোবিন মেটচ অমদা অহুমশুবা সিদেদ পেয়র হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস অমদি ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোভিসনা ৮শুবা সিদেদ পেয়র জর্মনিগী অন্না লেনা গ্রোনেফেল্ড অমদি নেদরলেন্দসকী দেমী সুরর্সপু ৭–৫, ৬–২ দা থোইরম্বনি।

## মিনর্ভা পঞ্জাবকী মহুত্তা পঞ্জাব ফুটবোল ক্লব হায়না মমিং থোনখ্রে

*পটিয়ালা, ওক্টোবর ৩০ (এজেন্সি)ঃ* কুমজা ২০১৭–১৮ আই–লীগ সিজনদা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা পঞ্জাবকী ক্লব মিনর্ভা পঞ্জাবকী মহুত্তা পঞ্জাব ফুটবোল ক্লব (পি এফ সি) হায়না নৌনা মমিং থোনখ্রে হায়না ক্লব অসিনা ঙসি থাদোরকপা ষ্টেটমেন্ট অসিনা খঙহল্লক্লি।

মমাঙদা মিনর্ভা পঞ্জাব হায়না খঙনরম্বা পঞ্জাবকী ক্লব অসিনা রাউন্দ গ্লাস স্পোর্টস প্রাইভেট লিমিটেদকা য়ান্নখিবদগী মতুং ইন্না ক্লব অসিবু অনৌবা মমিং ওইনা পঞ্জাব ফুটবোল ক্লব হায়না থোনবদা য়ান্নখিবনি।

পঞ্জাবকী অমত্তা ঙাইরবা ফুটবোল ক্লব ওইরম্বা মিনর্ভা পঞ্জাব কুমজা ২০১৭–১৮ আই–লীগ সিজনগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি। টিম অসিনা জুনিয়র লীগ অমসুং ইলাইট লীগকী টাইটলশিংসু লৌবা ঙমখ্রে।

নৌনা মমিং থোনখ্রবা পঞ্জাব ফুটবোল ক্লব অসিগী শান্নরোইশিং অসি য়ু ই এফ এ / এ এফ সি / এ আই এফ এফ না সার্টিফাইদ তৌরবা কোচশিংগী মখাদা ত্রেনিং চত্থরি। ত্রেনিং অসিদা ইন্টরনেসনেল মেডিসিন, ন্যুত্রিসন, এদুকেসন অমসুং লাইফষ্টাইলগী খুদোংচাবশিং ফংলি।

ক্লব অসিগী দাইরেক্টর রঞ্জিৎ বজাজনা ফোঙদোকখিবদা ক্লব অসিনা লাক্কদৌরিবা আই–লীগকী সিজন অসিদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎকনি হায়বগী থাজবা লৈ।

ক্রোসৱার্দ ৩২৩ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| B | U | S | S | T | O | P | ■ | D | O | M | A | I | N | S |
| A | N | T | H | O | N | Y | ■ | U | P | A | T | R | E | E |
| B | L | O | O | P | E | R | ■ | B | A | D | M | O | V | E |
| B | O | O | R | S | ■ | E | C | O | L | E | ■ | N | A | M |
| L | O | G | E | ■ | A | N | A | I | S | ■ | P | O | D | S |
| E | S | E | ■ | G | L | E | N | S | ■ | M | A | R | A | T |
| R | E | S | O | L | V | E | D | ■ | M | O | R | E | N | O |
| ■ | ■ | ■ | D | A | I | S | Y | D | U | C | K | ■ | ■ | ■ |
| T | A | V | E | R | N | ■ | C | A | S | H | S | A | L | E |
| E | L | I | T | E | ■ | P | A | R | K | A | ■ | V | E | N |
| E | B | B | S | ■ | L | A | N | K | Y | ■ | F | I | A | T |
| D | A | R | ■ | M | E | D | E | A | ■ | H | E | A | V | E |
| O | N | A | T | E | A | R | ■ | G | R | E | E | T | E | R |
| F | I | N | E | S | S | E | ■ | E | A | R | L | O | B | E |
| F | A | T | C | A | T | S | ■ | S | E | E | S | R | E | D |